ঐগী পূক্নিংদগী



ঐগী পুক্নিংদগী

অঙাংগী সাহিত্যমগী

ঐগী পূক্নিংদগী

উলেল্ মীতৈ



শৈবেংবশিংগী অপূনবা লূপ(শাল), মণিপুব।

ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯒꯤ

ঐগী পূক্নিংদগী

EIGEE PUKNINGDAGEE

A collection of Manipuri (Meeteilol) lyrical poems


by **KH ULEL MEETEI**
Sagolband Tera Keithel
Sapam Leirak
Imphal, Manipur

অহানবা ফোঙবা	ঃ ২০১৩
অইবগী মিং	ঃ খুবাইজম উলেল্ মীতৈ
ইবনা শীজিন্নবা যুম্নাক যাওদনা	ঃ উলেল্ মীতৈ
মখুম	ঃ নেহতা
অফোঙবা	ঃ ব্রাংনিংবীনা শৈবেংবর্শিংগী এপ. ৫ লপ (শাঙ) মণিপুরগীদমক্তা ফোঙডবা।
মমল	ঃ চেখুম অপাবা লূপা ১৩০/
	চেখুম অথাবা লূপা ১৬০/

লাইবিক নম্ফমঃ

অইবনা তাইপসেট তৌজবগা

উবিপোক লৈকং থোং মনাক্তা লৈবা জিঃ কেঃ প্রিন্টর্সতা নম্বা।



রাখল পীবিবদগী নঙনা

ইজর্বান ঈশৈ শৈবেংসি ঐনা

অদুনা

নহাক্কীন

ঐগী পৃক্লিংদগী ঈশৈ শৈবেং লাইবিকসি।

[illegible]

[illegible] ([illegible]),
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

সেক্রেটরিগী ৱারোল

ইযাম্বা উলেল্ মীতৈনা 'শাল'গী মমিংদা **ঐগী পুক্রিংদগী** হাযনা মমিং থোনবা ঈশৈ মযেক্কী লাইবিক অমা ফোঙবিবকপসি য়াম্না নুংঙাইজে। ইযাম্ববু হাযনিংঙাই লৈতনা ঐহাক অমদি 'শাল'গী মেম্বর খুদিংমক্কী মহুৎ শিঞ্জবগা হন্না হন্না থাগৎচবা ফোঙদোকচবি।

মমাঙদসু ইযাম্বা অসিগী ঈশৈ মযেক্কী লাইবিক খবসু 'শাল'গী মমিংদা হৌখিবা চহী ১/২সিদা মথঙ মথঙ ফোঙবিত্লবনি। ইযাম্বসি সাহিত্যদা যাম্ন 'থরায হকচাং যাওজবা মীশক অমনি। ঐনা নৌনা নীংশিংলুদ্রবসু অইবসি লূপ অযাম্বনা থোইনা হেন্না মশক খঙনবদা কবি অমদি অকাশবাণী, ইম্ফালগী ঈশৈ মযেক ইবা শৈবেংবা অমসুনি।

ইযাম্বা অসিগী শৈবেং লাইবিক খবসু মমাঙদা অতোপ্পা সাহিত্যগী লূপ খবগী মমিংদা ফোঙবিত্লবনি। হৌজিক ফাওবদা ইযাম্বা অসিগী হন্দক ফোঙলিবা ঈশৈ শৈবেং লাইবিক অসিগা থাবগা মশাগী ওইবা শৈবেং লাইবিক ৫ (মঙা) অমদি ঈশৈ শৈবেং লাইবিক ৬ (তরুক) পূন্না লাইবিক ১১(তবামাথোই) শুবে। অদুগা 'শাল'গী ওইনদি ১৯(তবামাপল) শুবা ঈশৈ শৈবেং লাইবিক্কি।

ইযাম্বা অসিনা 'শাল'গীদমক্তি হাযদুনা ঈশৈ শৈবেং লাইবিক অমা ফোঙবিবকপসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোযননা মতুংদসু লাইবিক ফোঙবিবকখো হাযজবি অমদি নাদ যেক্কনা পুক্নি নুংশাংনা লৈবিদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কৈদা লেপ্পুনা অঙম্বা খুদোল তৌবিবকখো হাযজবগা লোযনন তাইবং মপুদা ইযাম্ববু পাঙ্গল লৌশিং থৌনা পীবিনবা হাযজবি অমদি চানবিবসু ওইবসনু।

কৈশাম প্রযোকুমার সিংহ
সেক্রেটরি, শাল, মণিপুর।

য়াওফম তাকপা

ইচীলনা নুংশি হায়জরোই

ইচীলনা নুংশি হায়জরোই
হা অমত্তা ভাঙজরেই,
যেংজগে ঐনা মাযথোঙবুদি
শুমহৎনবা ফজবনিনা নঙদি।

থম্মোয়গী পামজবা ফোঙদোকচরে
সেইরোল ওইনা লৌবিরে,
তাবিনবা লৈজদবে
মালঙদা নীংঙমদনা তমজবে।

খনানো অমা লেপ্লবে
মীৎকা মীৎকা চানবে,
নুংশি হায়জবা ঙমজদবে
হঙ্গবা হাখলসে লাল্লম্লে।

কায়নখ্রবী নঙবু য়েংদবা ঙমদে

কাযনখ্রবী নঙবু যেংদবা ঙমদে
হবাও হবাও কৌনদ্রবসু,
পুন্সিসে কযাদা ওল্লবনো
থম্মোযদদি ওম্নবিদো।

মেবাগী থাবল যেংলুনু যাদে
নৈবাংগী ফজবা শুমহৎতবা ঙমদে,
নীংশিংই ঐদি অদুঙৈ ব্লাবী
তত্তনা শক্তমদো ঙসিসু উবি।

লম্লানবা লম্লানবী ওইনববনা
নুংবিস্ নৈতবে নকশিন্নিংদবে,
থম্মোযগী অশেংবা নুংশি কিশি
হিংলিবমখৈ পনগদৌব।

খজিক্কং উখি মায়থোঙদো

খজিক্কং উখি মায়থোঙদো
নঙনা ইন্নফিনা খজিনবদো,
ঐবু নঙনা লাঙতক্লহনখি
ইখৃৎসে ফাবগা মান্নখি।

খোঙথাং খব হেন্দোক্লবে
চিংনবা যাওদুনা হল্লক্লে,
উখিবদু নঙসে নৎতবা
চংদৈজনে খঙানিংনা ইথম্না।

নুংশি নন্দোন যাওবদুদা
নুংশিবদা ইকায়বা ফাওখি,
হৃদানবা যার্খিনি মিপাইখি
ইত্তৌ যেংনা নঙনা লোৎখি।

নঙনা য়েংনবা কেজবনি

নঙনা যেংনবা কেজবনি
ঝা ঙাঙলক্লবা তপথজবনি,
নঙোন্দা নুংশি হাযজনিংই
নঙনা হৌবকপা ঙাইজবনি।

পাখঙ নাপ্পদা পৃক্লিংনা চৈজৈ
কবম্বা নূপানো পাঙদবা হাযজৈ,
ইমান্নবীদা ঝাবী শাজৈ
খঙবিদে নঙনা মীৎযেংসিবুদি,
নঙসে পঙই হাযনিংলকই।

থৎসিবা খল্লি থেংনবদা
চংপা যাবোই থিংলবনি,
নঙবু নুংশি খঙবিদবগী
থম্মোয পান্দে হাযনিংই,
কনাদনো ঝাকৎনিংই।

ভাবত মচাবু পাণ্ডদবরা

ভাবত মচাবু পাণ্ডদববা
লান্দে ঐখোযদি কনাদা।
চাউথোকচবনি ঙসিদি
ভাবত মচানি হাযবগী।

অমমম পাঙ্গল যেংনসিবা
অপূনবা ওইনা শাথেংনসিবা।
লান্দা থৌবগী শুথাংনি
শিবসু লাযনা ঙম্মনি,
পোল্লুফম ইমাগীদমক্তদি।

ভাবত লীববা নৈবাক্তি
ইকাযখুম্মবা ঙাক্লিবনি,
লানবা যাদবা ঐখোযনি
লানবা পাবদা কিদবনি,
ভাবত মচা হাযনবিবনি।

ঐগী লৈ নাচোমসিদা

ঐগী লৈ নাচোমসিদা
পাখঙ কযা ঙাওনবে
থম্মোয কযা চাক্লবে।

খোইমু অমা পাইবক্লে
নাচোম লৈদা তোংলবে,
পাখঙ পূক্লিং পাখৎনবে
ঐনা মোমোন নোকচবি,
মতৌ যেংবদা পেঞ্জবি।

মখূৎ তিংথোক্লনা লেপ্লবে
থম্মোয পীযু নিববে,
ঐসে ঈশৈ শক্লিংলক্লে
মখোয খূবাক খূহন্নিংলে,
লৈমা জগোয নীংশিংলক্লে।

ইবান্নি য়েংনবগা তোক্লবে

ইবান্নি য়েংনবগা তোক্লবে
ব্লাবী অমা শানদবে,
কবম্মা পাল্লি হংজনিংই
মসিবা পুন্সি হাযজনিংই।

লম্বী লমখাঙদা থেংনৈ
থাপ্লবিঙৈ য়েংবদি য়েংনৈ,
নকশিন্নবগা উদবা শাদুনসু
থৈনবদা মিঙ্হনদি চোংই।

কনা'না' কবিবু ঙাঙনৈ
কনা'গী মচীনবু মেল্লুনি'
পা'উথোকপাখিনি ব্লাজবনা
মীৎচাসি শেন্নবা ব্লাজৈ।

ইমা ইমা পোক্লফম ইমা

ইমা ইমা পোক্লফম ইমা
নুংশিবী ইমা ভাবত ইমা।
নচাশিং চাউবে ব্লাগনু পলেম
কৈদৌঙৈদা শীন্থহল্লোই পিবাং।

কণ্যাকুমাবীদগী কাস্মিবফাওবা
গুজবাৎতগী মণিপুবফাওবা
নঙগী ঙমখৈ ওইদুনা লাক্লে,
যেক্লবনা যেনখদ্দা যেংহনলোই
ইমাগী ফিজি নেংহল্লোই।

কনাদা লান্দে ঐহোর্যাদ ইমা
কবিসু কিদে মাযোক্লগে ইমা।
খুবৈ অমতং হেঞ্জিনহল্লোই
হোঙফম খজিক্তং লেঙহল্লোই,
খোমুাং লমল শিংবা কাউবোই।

মণিপুর মণিপুর মণিপুর কৌগে

মণিপুর মণিপুর মণিপুর কৌগে
ইমা নঙবু পেন্না কৌগে,
ইমা নঙগা ঐখোয় হিংলি
নচা ঐখোয় নঙগী শিনি।

কাযবা যাবেই ভুমখৈসে
ইপা ইপুনা থম্লম্বসে,
মীয়ীদগী লম খোপচিন্দে
ঐখোয়দগীসু পাথোক্লিংদে,
ঈনা শেম্লখিবা ইবৈবাক্লি
ঈসে চোল্লনে ইবমদমগী।

কনানো লাউনে খোবকউনে
নবীন লৈববা থেংনসিনে,
পাঙদবা নত্তে ঐখোযসে
মণিপুর মচানি খঙদবনে,
মবক মীচিঙ্গী মীতম্বাল
তম্বনা কাঙগনু নচীনবাল।

অহল ওইবনা ওইরিদরা

অহল ওইবনা ওইবিদবা
যাম্না হল্লে ব্রাখলসে'
যেংলু যেংলুবদা নুংশিবে
খঙহৌদনা তাবে পিবাংসে।

পাম্বোমগী উম্সা চিংলুবি
যাম্না খুইবে শোল্লুবি,
মিংশেলদা ইশক যেংজকই
নহা ওইবিগে নীংশিংলুই।

মশাগী থিবিবা মযামসে
পোকপদা কবিসু পুবক্তে,
মথন্তা অমুক হঞ্জখিনি
কাযনগদবা ঙাক্তেনি।

শিদৌবা তল্লে ঐহাকসে

ঐসে তল্লে ঐহাকসে
নহা অসুম ওইনিংলে,
ঐবু শেম্বীবা তাইবং মপু'
যাবোইদবা শিদবসিবু'

ফজ ফজবা শকহেন্নবশিং
যেংনিং-যেংনিংনা শুমহৎপিশিং
মখোযদি অসুম লৈহৌনি,
ঐদি ইদোম হনখিনি।

থুইববা মল্লবা হকচাংসি
শোর্ম্বব কবিগী নোংমগী'
হেন্না নৌথোক্কে থম্মোযদি
নুংশা থীবে থরাযদি।

লৈ পায়রগা নহাক্লা

লৈ পাযবগা নহাক্লা
মীৎম্না লৈনা যেংবদি
পাযমা মানা কনা থিবি?
খূদোলনো মদু কনাগী?

শকখঙদবী নুজাও!
কবিগী নখূৎ চূবা শৌবি?
লৈকোলগী থোঙ্গাল মনাক্তা
নঙবু কনা ঙাইবনো?

নোংচুপ মাযকৈ অতিযাগী
মচু শিথবে নোংজাবগী,
ধুমদা নঙবু হংলম্লোইদবা
পলেম্মা নুংশা থীবম্লোইদবা?

ঐনা উখিবা শক্তমগা মান্নৈ

ঐনা উখিবা শক্তমগা মান্নৈ
ঐগী চান্নবী তনৌ-তনৌই,
নঙগী ফজবদা শুমহৎলবনি
নঙগী নুংশিবদা ঙাওববনি।

কৈথেলগী মীযাম মবক্তা
মাঙখি নঙনা মীৎকূপ অমদা,
ঐনা খর্নাখি যাম্না চিংর্নখি
কেবদা মশক খঙদ্রবনি,
থেংনববদি খন্না ঙাইখি
হল্লক্রবে অদুম নঙদি।

অমুক্তং নঙদু যেংউনে
রাখল তূমিন খল্লুনে,
নুমিদাংবাইগী নোংজাবী মঙালদা
ইকাযবিবী নুজাসে ফজে,
থম্মোযদা ফাবগা থম্মিংই
নোংথাঙ ওনখিবদু নঙনি।

করিনো খঙদে হন্দকসি

কবিনো খঙদে হন্দকসি
খল্লমদবা কয়া খল্লে,
ঐসে চৎলমদাই যৌববা
হকচাংসে চোকথদুনা লৈবে।

অহল ওইবনবা ঐহাকপু
কৈদৌকগবনো খল্লিবসিবু!
কাযননিংদবা নুংশিবশিং
উববোই ৱাবগী পিবাংলা!!

কবিসু তৌদে হৌখবে পুন্সি
ঐগী খনবদা ঙাওবে কোকসে,
পাঙ্গল শোল্লে থৱায ৱাবে
অমম্বদা লৈচিল থাবে।

থাজ নঙদি লৈহৌরো

থাজ নঙদি লৈহৌবো
ঐদি তূম্বা চঙলগে,
মহাক লাক্কদবা মান্দবে
ঐদি অসুম শাউনিংলে।

থা থোবকপা মতমদগী
ঐনা ঈশৈ ঙংজবকই,
যেন খোংবা তাবক্লে
হযেং মাবু চৈবগে,
লাক্কনি হাযবা থাজদবে
কযা রানা ঙাইহনবিবে।

নহাক নোংমা হাযবম্মী
থাবলদা রাবী লীবিনি,
খম্বা থোইবী মোইবাংগী
লৈলা মজনু মুসলিমগী
রোমিও জুলিযেৎ সেক্সপিযাবগী
অমগা অমগা নুংশিনবগী।

হায়রো করিনো হায়নিংবদো

হাযবো কবিনো হায়নিংবদো
যেংলগা অদুম লৈবনু,
ঙাওববা নহাকপু
নহ'নমথৈগা মান্নদ্রিবসিবু'?

ঐঙোন্দা অদুম যেংলি
নোকমি নোকমিসু তৌবি,
শাউবদি মান্দে মাঞ্জও
পূক্লিংদা কবি খনবনো।

কেবগা থোবকপদা ঙাখবি
মাথদা কবি পক্লে ঐগী।
মাইদা ঐদি নতৌসে র্তাল্ল
থূমদা চৎত্রগে লৈবিহৌবে।

মঙলান্দা লাকপদি যাবোইকো
ব্রাখলদা ব্রাহনবা পামদেকো,
নুঙনা শাবা নুংশিবও
থম্মোযদি নুঙ ওনগনু।

ঐদি নঙবু মঙদা উইনে

ঐদি নঙবু মঙদা উইনে
মতম অমগী চানবী
কনম পাল্লিন্দগে নহাকপু
অমু ক্রং উনিংই কবম্নো ।।

[illegible] ঙই নঙসে লম্লানবীনি
ঐগ[illegible] নীংথা লৈনদ্রবীনি,
নুংশিবা লৈবনা খাল্লবনি
নঙবু মঙদা উবিবনি।

নঙগ ঐগী মরক্তা
লৈত্তে অমা চিংলবনি,
চিংনিংশি [illegible] খাবর্বনি
[illegible] নঙবুইদি হংনিংলি।

মহৌশা নওনা লৈশারিঙৈ

মহৌশা নঙনা লৈশাবিঙৈ
ফজবা শকফমদো উনিংই,
যূমসিদা ইবান্নি লৈমিন্নবে
হনুথংসিদা নৌথোক্লে।

মাযথোঙদা ঐনা ঙাওজখি
খোঞ্জেলদা ঐনা খোযবাঙখি,
ঐখোয অহল ওইবেকো
পূক্লিং ৱাখল হম্বেকো
খল্লুবদা নুংশিদবদো।

অমুক্তা নঙবু কেযুনে
ফর্জাবিৎবা যেংগেনে,
খদাঙদা খংনা শৌগৎকে
ইমীৎ পেন্না যেংলগে
পাম্মুবা ফাওবে শিনিংদবে।

নঙোন্দা ঐনা ৱারী লী

নঙোন্দা ঐনা ৱাবী লী
থাজদা নঙনা যেংই,
নুপুবল্লবা মীৎয়ানা
মঙলানগী লম্বী যেংই।

উইনিংবা ফাওববা নতৌনি
অঙাংগুম্বা ঐনা উবি,
ইকায় নুংশিনা যেংনিংলি
থম্মোয়সে খোঙফম লেঙনিংদে।

শেংবা বাববা চোকথবনা
পোৎথাফম থিবি কনাদা,
পুন্নমক কাউববা অপেনবনা
হংলি নংশিবা মসিদা।

নঙনা চৎখ্রবা মতৃংদা

নঙনা চৎখ্রবা মতৃংদা
ঐনা কোন্না যৌবক্লে,
অমুক্তং উনহৌগে খল্লি
খোঙহৌ তপ্পনা শোযখি।

নিঙোল কাগী ফমুংদা
মাযসে মোন্দা উপশিঞ্জবি
থম্মোযসে হীক্লা কপচবি,
কনা খঙহনবসু যাদবনা
ঐনা কযাদা ব্রাজবা'

উনহৌদবা নুংঙাইজদে
নঙসু পূক্লিং লাঙলমগনি
ঐবু লাকপবা যেংলমগনি,
শাউনিংবসু পোক্লমগনি
নঙনা ঐবু ব্রাবৌবমগনি।

য়েংনবদগী হৌখিবনি

যেংনবদগী হৌখিবনি
নঙগী ঐগী নুংশিবসি,
কবি ব্রাহৌনো খঙদনা
ব্রাবৌনদুনা লাপ্লখি।

নোংদম্বনা উবিবে
নোংমা অমা থেংনবে,
থম্মোয থম্মোয নকশিন্নবে
উদবদা নৈবা ঙমদবে।

নঙনা হাযখি ঐনা লোইবে
ঐনা হাযখি নঙনা লোইবে,
নুংশিবা অনী থমজদে
মপোক থূদিং ব্রাযথুংনসি।

শম পুঞ্জদ্রি ঐ, লৈশারি

শম পুঞ্জদ্রি ঐ, লৈশাবি
ইনম্মগী অঙাং পমজবনি,
ঐঙোন্দা যেংবিবকপা কনাদা
ঙাওজবিবা মীৎযেংসে উদববা”

নাচোম থেংপিনবা থমজদ্রি
শমসে খোমগৎনবা লৈজদ্রি,
ইবুংগী মচা নুংশিবদা
লক্লজবনি নোকহঞ্জবনি,
ঐসে মৌবু মাল্লুবববা।

খোযগা শেৎলি ঐদি ফিসে
খোযবাঙইনে যেংলকপসে,
চীনবাল শঙলি কেজবি
শেৎলি-ইল্লিবসে পকচদ্রববা”
ঐসি মৌবু মাল্লুবববা ?”

মকে শেন্নবী নমান্নবী

মকে শেন্নবী নমান্নবী
লুহোংবা অমা চৎলম্বী
মানা ঐঙোন্দা তম্নম্মী,
নঙগী থাদোইগী লুহোংবনি

যুম্মাক শাগৈ ওনখ্রগনি
ঐবু থাদোক্লুনা চৎখ্রগনি,
হ'ঙদবগী হৌনবী ঐহাক্তি
থ'ম্মো নুংঙাইনা লাকপনি,
থাপ্লবা লমদম মীবমদগী
নঙগা উনবনি খল্লকই।

হুদোল অমা তমজনিংনা
নঙগীনি খল্লা পুজবকই,
ইঁপ তানা যেংজবগা
মফম হঙদনা হন্দোক্লম্মী,
কাযবকা থম্মোয পুবকই
কপ্ল কপ্লা হল্লকই।

অহল ওইদুনা শোঞ্জিল্লক্লে

অহল ওইদুনা শোঞ্জিল্লক্লে
থব্রাযসে হেন্না পাম্মুবে,
শিগনি হাযবা খঙনা খঙনা
লোম্বা নাইদনা হিংনিংলি।

মীওইবা ওইনা হিংলক্লে
খোঙচৎসে মঙম শান্দবে,
নোংমা নুংঙাইনি নীংলুবে
লাকহন্নিংদবনা যৌবক্লে।

নুংশিবনা থনবা থম্মোযসে
থনম্বা যাদনা মাঙহৌনিসে,
কাযননিংদনা কাযনগনিসে
নুংশির্বাশিং লৈবিবসে।

ঐদি নুংঙাইনদবা থম্মিংদে

ঐদি নুংঙাইনদবা থম্মিংদে
ঙসিদি চত্তবা য়াবোইদৌবে,
রাবৌ পূক্লৌবা য়াওববদি
খনবিযু ঐনা লাল্লবনি।

ইচা ইশু কোযনা ফম্লি
ঐগী লোয়নবী খূযাদা কপ্লি,
শদৌ থোংনা ঐনা
নিংশা মপী হোল্লি,
ঐগী মীৎকী পিনা
র্তনিক র্তনিক খাঙলি।

অ্রঙাং ওইবিগৈদগী হৌজিকফাওবদি
নীংশিংবা যাবা নীংশিংলে,
তাইবং কূম্মে শান্নবদা
শোযখি লানখিবা কযানি,
খোঙচৎ অমনি ঐগীসি
হন্না যেংবা যাদ্রবনি।

ঐবু অহল ওইরব্রনে

ঐবু অহল ওইবব্রনে
পূক্লিং অসুম নুংশিবিবসে।
পিবাং পিবোইনবিবসি
তাম্না যেংবা উদনববা?

লাক্কবনিনা ঐনা খল্লুই
চৎকদবা মফম খঙদে লুই,
হিংলিঙৈ হিংলে তাইবংদা
শিবদা লোইবে মীওইবা।

ঐনা মমল অমতংগী
পুক্নিসে পুদুনা লাকপনি,
পাঙথোক্লিংবদি কযানি
কবিদি তৌখ্রে খঙদ্রবনি।

মীনা শা ওল্লে

মীনা শা ওল্লে
মীনা মীদা ওৎলে,
মখোঙ মবী পান্দে
খূজিন্না খূৎলায ওইদে
খেন্নবা খবদা ঙাযবে।

চাওখৎপগী মঙাল ফংলবা
পীকশিল্লবা মালেমসিদা
থম্মোযগী ৱাদি থম্নদে,
মশা মশাগীতা য়েংনবে
ওইজবা থিবদা পোখানদে।

কনানো লাউ থৌনা ফবা
নবৈবাক্কী কখোকপা ঙম্বা'
খুনুনা মকোন্দা চাউবদুদি
মীবক মচীল থী হাযবদুনি
তশেংনা অচুম্বনি হাযদবনি।

নুমিদাংৱাইরম খুঙ্গংগী ঈয়োক্কোন্দা

নুমিদাংৱাইবম খুঙ্গংগী ঈয়োক্কোন্দা
ঈশিং শোকপা লাক্লম্বীদো লাকখিদবে।

ঈযোক্কোন মনাক খোংনাং পাম্বীদা
ঙাদুনা ঐনা মাবু ঙাইজৈ,
কবিসু হাযকদে ঙাওবদি ঙাওজৈ
থম্মোযদা ৱাখল কযা শাগৎচৈ।

নুজা শন্নাং ফজহনবা লৈহাউ
হেলহল্লি ঐগী পুক্সি মহাউ,
হূবান্না যেংবা নুজা মতৌ
কাউবা ঙমদে নুজা চেঙলৌ।

নঙসে ওইদবা ঙাঙইনে

নঙসে ওইদবা ঙাঙইনে
নমীৎ যাম্লমগদবা মাল্লিনে,
নুংশিবসে মিপাইবক্লে
হন্দোক্লমগদবা কিজবক্লে।

ঐগা চৎমিন্নবিবা মক্তদা
লম্বী লমজাওদা কনাদা
ফজবী উবা যাদে নঙদি,
নমীৎ যাম্লা ঙাওইনে।

থাজবা কয়া ল'যথোকই
হায়নবা কয়া শোযগল্লি
ঐতনা নুংশিবা ওইবল্লে,
নঙসে মতম লেল্লম্লে।

মীৎয়েংসিনা কৌজবনি

মীৎয়েংসিনা কৌজবনি
ৱাহৈ অমা হায়বক্কনি,
পঙলবী ঐনা খঙ্ঙবনি
পঙনা উনবা ফংদে।

ঐহক্কা লৈ হেক্লিঙৈ
উখি নঙসে থোঙ্গালদা,
অমুক্তং কৌগে খল্লিঙৈ
মীৎয়েং তামখিবনা হানখিযে,
খামজহৌদে খঙ্ঙানবিঙৈ।

ঐনা ঙাইজৈ মতমদু
ৱাখল ফোঙদোক্লবা নুমিত্তু,
খোইকম মোমোন ঐনা নোকচৈ
নুংশি হাযবা ইতৌ উৎচৈ,
খঙমন্দে ঐবু ৱাহল্লি।

থা থোরক্লনি চৎহৌরগে

থা থোবক্লনি চৎহৌবগে
থাজ মানবীদো নীংশিংলক্লে,
ঙসি থানিল নুমিৎনি
থাবলনা ফিঙৌ ফৌবনি।

কয়া কুইনা ফম্লুববা
কবি কান্নবি কপচবগা!
চাকখ্রেদা নীংঙমদে শোল্লুবে
পুন্সিসে কান্নদবে খল্লক্লে।

নুমিদাংব্রাইবমগী মমশিল্লক্লে
ঐদি যূম্ল যৌহৌবগে,
থাবল মঙালনা তান্নবক্লিঙৈ
কাযববা থম্মোযসে পুহৌবগে।

পাখঙনা লক্লবিদ্রবী লৈশাবী

পাখঙনা লক্লবিদ্রবী লৈশাবী
কবিবু কান্নবি শকহেল্লুবগী।
নুজা শাইনোন্দো তৎলে
নুংশি হায়বিগদবা তাঙলে।

শবেংসু থোংবা থাউসু থাকপা
মবলসু লৈবা মবমসু ওকপা
হাযবা ইনগদবা খল্লিগৈ
মাযথোঙগী ফজবা মাঙখ্রেদো,
মাযোকৱা শান্নবা যাদ্রেদো।

ইচে ইতৈমা কৌবক্লনি
ঈচেল লেপখ্রনি থম্মোয়গী,
খঙদবা অশোয়বা লৈবমগনি
মদুনা যাকপনি হাযনগনি,
পুন্সিসে মনীং হন্দবনি।

চৈরাউচীং কারুই ঐদি ঙরাং

চৈবাউচীং কাকুই ঐদি ঙবাং
চীংদোম্দা লেপ্তুনা লৈবকই ঙাইহাক।

পাবানা খৃৎ থিন্দুনা তাকই
মিংশেলগুম লংবসি লোক্তাক্লি,
থোক খোযবা কৃৎলিবসি ভুবেলনি
ককচেং মানবসি গাউী থৌবনি,
ফজদবা যেংউ যেংউ।

ঐনা ঐগী পাবদা হংই
ঐখোয যুমদি কদাযদা লৈ?
ঐখোয যুমদি দলান নত্তে
লৈমাযদা পাকশিন্দুনা লোত্তুনা লৈ,
চীংথক্তগী যেংবদা উদে।

নুমিৎ তাবে মমশিল্লক্লে
কৈ থোবক্ত্রিডৈ কৃমথবক্লে,
ঐনা হযেং অচৌবা ওইবগা
যুম মখোল মথোল শাগে,
লাইরেল বাসা ঐদি পাদুগা

ঈশৈ শকই ঐ, নীংশিংদুনা নঙ

ঈশৈ শকই ঐ, নীংশিংদুনা নঙ
মহৌশাগী ফজবদা যাওবি নঙ।

যেন্নীংথ'গী যেন্নৌলক্কো
লৈবাং ওইনা শাংলি নঙ,
ইঙা ইঙেন নোংজুলক্কো
পিবাং শীন্থুনা কপ্পী নঙ,
নাকেন্থাদা চঙক্লনা
পূক্রিং লাঙতক্লা লৈবা উইনে।

থাবল্লক্কো চৎমিন্নখি
ইমান্নিসে খৃৎশম্নখি,
ফাগি ফাগিদগী শাউনখি
কৌনদনা থৈনখি,
কবম্না কাযনখি নীংশিংদবে
ইমীৎ উইশিল্লি মৈচাক খাঙই।

নূপা ওইদুনসু ঐহাকসে

নূপা ওইদুনসু ঐহাকসে
কপ্লোই হায়বা ঙমদবে,
থাজদনা ঐবু থাদোক্লম্লে
নুংশি মতাং তৌবম্রে।

নাচোম অমথক শেন্নবগী
ঐনা লৈখোঙ শঙজখি,
মাগী ঐগী ব্রাবীদা
পোথাফম্মু ওইজখি,
নুংশিবগীদমক খঙ্গখি
লোইবা নাইদবা রাখলনি।

নুঙোংবা থিনবা যেংদুনা
লম্বীগী মতাইদা লেপচখি,
দোলাই তোংদুনা চৎখি
ঐনা কপ্পুনা লৈহৌই,
ঙসিগীসিবু কর্বনো
মঙবু ওইখি তাইবংনা।

শজিবু থা লাক্লে চহী হৌরে

শজিবু থা লাক্লে চহী হৌবে
অসুম হৌখিনি পুঙ্গিসে।

কুশুমৈন্নে শাৎলে কোম্মীবৈ উবে
নোংমা পান্নে শজিবু চৈবাউবে,
শজিবু লৈহাউ লৈবেল শাৎলে
তখেল্লৈসু তনৌবে,
ঐগী থম্মোযসু নৌজবে।

চেঙলৌ শকতম চঙখোনবী
চৈবাউ কৈথেল কাবকপী
ঐগী ওইজনিংবী মঙোন্দা
খূদোল অমতং তমজনিংখি,
লম্নানবী ওইবনা নীংঙমহৌদে।

শিরগা ঐসে কদায় চৎকনি

শিবগা ঐসে কদায চৎকনি
ব্রাহংসে ইথন্তা হংজবনি,
ঐসে চহী যামশিল্লক্লে
অসুম-অসুম শোঞ্জিল্লক্লে।

অঙাং ওইবিঙৈ নীংশিংদনা হৌখি
নহা ওইবিঙৈ নুংঙাইনা লেনখি,
চৎকদবা লৈবে খঙন-খঙনা
অবোইবদুদি অমম্বনি।

লাইনিং লাইশোলদা কবি যাওবি
অখঙ-অহৈগী পাউতাক্লা কবি।
পুন্সিসে নুংশিবা হেল্লক্লে
ঙকপদা ঐসে তথক্লে।

ঐগী মীৎয়েং নঙোন্দনি

ঐগী মীৎযেং নঙোন্দনি
খঙদবা নঙদি মবমসি?
তঙাংবী চীনবালদা যেংলি
কবি হাযবকপা ঙাইবি।

পিশুম শূকপবা শাউদুনা?
ৱাবী শাববা নমান্নবিগা?
শুগৎলগা হন্না যেংববা?
নুংশিবী অমা শেন্নজবি।

ৱাখলদা ঐসে ঙাওববনি
কবি থোক্লগবা নুংশিবসি!
তূমদবা মঙনি নুংশিবগী
থম্মোয চাংজৌ পাববনি।

ইকায়দুনা লূকথবা নৎচদে

ইকাযদুনা লূকথবা নৎচদে,
মীৎচাননিংবা মহাক্তো উজদে
মবম অসিননি মবম অসিননি।

লুহোংফালদা ফন্নিঙৈ
লৈপুলগী পবৈনা লাকশিল্লকই,
থোঙ্গালদা লেপ্লগা লৈবমগনি
ঐবু থিন্দোবকপা ঙাইবমগনি,
তত্তনা ঐনা খঞ্জখি।

লৈ কোযবদগী হৌববনি
পাম্মুবা মহাকপু থিজবসি,
কুন্দো পবেং হূক্রবগী
ঙকশমদু ওন্নবে মিপাইজখি,
য়াখলদা ঐসে ঙাওজখি।

ঈশিং য়াউম অমতং

ঈশিং য়াউম অমতং
থকচগে পেন্না অমুক্তং,
পামজদবে কবিমত্তা
শিবমদাই মীৎকৃপসিদা।

খোম্লাং লমল শিংঙমদে
নুংশিবা কোলোই কাউঙমদে,
মীৎলু অনী পিনা চোৎলে
নাহেবা খৃদিং ঈমা শোল্লে।

নিংশা মপী ফৃইনা হোল্লে
ব্রাবা যৌবে শদৌ থোংলে,
নুপী অঙাং ঈচা ঈশু
চঙদে ব্রাখল কবিসু।

ঐগী চান্নবীগী শমজীদা

ঐগী চান্নবীগী শমজীদা
খোইম্ন অমনা ঙংলি,
ঐগী থ্বৎনা তাম্নোকচদে
ঐনা নুংঙাইনা যেংলি।

চান্নবী মপৃক্লিং হবাওজৈ
লৈনা জগোযবু শাজৈ,
ঈশৈ শক্ল-শক্লা হাযবি
ঙাওবে ঐসে ঙসিদি
কবি থল্লি নহাক্তি?

লৈবাংদা খোইমুনা খোযদাবি
চান্নবীদা ঐনা চাকচবি,
মঙলান অমা মঙজবি
চান্নবীনা থাজ ওইখ্রবদি
ঐদি নোংইন ওনগনি।

নঙনা ইল্লিবা ইন্নফিনা

নঙনা ইল্লিবা ইন্নফিনা
নঙগী কোকসে খুল্লগে,
খূৎশানা খদাঙদা শৌগৎলগে
মাযথোঙদু পেন্না যেংলগে।

যূমগী মৌবু ওইবনি
চবৈ ফিদোল চিংখৎলনি,
কোকশেৎ অমা যাওবনি
থবক কূপ্লোম নোম্লনি,
যেংনিংই ঐদি নতৌদো।

মীৎম্না থম্বাল লুকক্লি
চৌনবা'ল অনী কাংগাংর্নবি,
হার্যনিংবা কবি হঙহন্দে
নুংশিবগী ভমথৈ না'ইহন্দে,
নীংথিবিনা ঐবু ঙাওহল্লে।

ভারত মচানা কিবা হৌনদে

ভাবত মচানা কিবা হৌনদে
ঐখোয় কনাদসু লাল্লুদে।

লাইবক চা'উবী ভাবত ইমানি
মিহৌনা যেংলকপা মাযোক্লগনি,
পা,ডুদবা নত্তে ভাবত মচাদি
পাম্মুদে থরায় থাদোক্লনি।

নমথনবা নতাৎ ঐখোয় যাদে
মীনাই ওইনা পুন্সি হিংনিংদে,
ইমা নুংশিবগী ঈসে চেৌল্ল
টনীং তম্বগী মহৈ চাবি।

পোক্নফম লমদম মচেৎ তাবা য়ারোই

পোক্নফম লমদম মচেৎ তাবা যারোই
খোঙফম অমতং থাংজিনফম থল্লোই,
কনানো লৈবস্মু হে' মিহৌচাউবা'
কবিগী অদুক লম-কবাল্লি।

লমযানবা ঐখোযগী ইপা-ইপুশিং
লুচিংবা ঐখোযগী থৌনাফবশিং,
খোঙযা ঊফুল লৈবি মখোযগী
খোঙ্গুল মমি মৃৎত্রি মখোযগী,
মচু শঙলি ঈনা ঙসি।

শম্বলদা নশক লোৎলিবা কনানো
অচেংবা যেংলিবা পকচেল পীকপও'
ভাবত লৈপাকসি শাগৎপদা
অপূনবগী থৌনা যাওখ্রবনি,
অপঙবা পোক্তে ভাবততদি।

লৈদা নাল্লগা করি খল্লি

লৈদা নাল্লগা কবি খল্লি?
লৈবাক্লিবসিনদি অচীকপদা
নঙসে লাই ওক্লবে
থশ্মোযনুংদা ওমচাক্লবে।

তবং-মালঙ ঈশিং চাউবে
তুমিন লৈবে হাযফম খঙদ্রে,
লাযনা-লাইওং লুগদৌবি
লোৎলিবা মাঙ্গা মহাক্কুনা
যাববোই মাইবা শাদ্রবদি।

নথক্তা নোকপা যাওবমগনি
কবিগুম্বদা কপ্পিংলমগনি,
ঙাওবগা চৎকদৌ শরুকপুদি
লম্বীদা ইবান্নি চৎলুসি,
মাগা থেংনববা যেংলুসি।

শাগৈ অমগী মৌনি ঐদি

শাগৈ অমগী মৌনি ঐদি
নঙগা মবী লৈনদ্রবীনি,
থম্মোযগী ৱাদো থম্মোযদা থমসি
মমাংঙৈগী ৱাদো পল্লনুসি।

হৌজিকপু অদুঙৈ নীংশিংহল্লনু
নৌনা ৱাবী পোপথোক্লগনু,
মমল লৈতবা তাগনি পিসে
নীংঙমদবা হেনগনি পুন্সিসে,
নঙবু নুংশিদবদি নত্তে।

নঙগী চীনবাল লেঙলগনু
তাবা ৱাবে ৱাহৈদো,
লম্বীদা ঐখোয থৈনবে
নুংশি হাযবগী কান্নদবে,
ঐসু খল্লি কৈদৌকনি।

লৈ চবুল পায়রিবী

লৈ চবুল পাযবিবী
খোইকুম মোমোন নোক্লিবী
পাম্বোম অনী তিংথোক্লো
অঙাং পম্বদুনা পকচগনি।

থব্রাযদগী হেন্না নুংশিবী
থাদোকপা ঙম্লোই পুন্সিগী,
অসুম অসুম নকশিন্নবগী
ঈশানা ঈশাবু কাউববনি,
নঙগী নুংশিবদা তিনখবে
হো ঐগী চান্নবী।

থাজ মাযথোঙনা হেনজসনু
থম্মোযনা খোযদাবদি নঙতনি,
লৈবাং গুলাব নীংথিসনু
যেংনিংবা ঐগীদি নঙতনি,
নঙগী নুংশিবদা তিনখবে
হো ঐগী চান্নবী।

কবি তৌবে ইতা নঙবু

কবি তৌবে ইতা নঙবু
হন্ন-হন্না যেংলিবদুবু?
কনা লাকপা উববগে
নঙগী অমদুবা হাযযুনে ?

মাযকৈ ফাংনা ঙাইহাক্তং
কোযনা যেংসিবা অমুক্তং?
মাবু ঙাইবদি মালহল্লোইসি
লাপ্পা মতৌ খঙদোকসি,
মাবু হেনগৎপা যাহল্লোইসি
ঐখোয খম্ব্রাংননা চৎমিন্নসি।

ইন্নফি মচেৎ শেগাযবগে
ইতাগী খোঙবীদা যেৎশিল্লগে,
থৃদি থীবা শাবো নঙসে
কবি হাযবকপা তাবসি,
পাখঙ নুংশা থিহনসি
ননাক নক্লকপবা যেংলসি।

ঐগী পৃক্রিংদগী

মপু তাক্তনা লৈকোল চঙলে

মপু তাক্তনা লৈকোল চঙলে
লৈদি হেক্তনা ঐবু য়েংলে,
লৈকায় তানবা লাউবগে
হূবানবা অমা ফাবে।

হাযযু হৌজিক কবি পাম্মী
চৈবাক অমা ফংবা তাবি?
শুকথবা য়াবোই হে পাখঙ!
উহৌবে নঙবু ঐথক,
হূবানবা অমা ফাবে।

নখুত্তা কবিসু পাযদ্রবসু
অবানবা তৌদে খুল্লবসু,
হকচাংদা থম্মোয় যাওবমদবে
নুংশিবনা মহূৎ শিল্পস্লে,
হূবানবা অমা ফাবে।

ঐসে লাপ্না চৎলুরে

ঐসে লাপ্না চৎলুবে
অশি লমদম য়ৌকদৌবে।

ঐগী ইমাদো লাক্লম্মী
মতূং ইন্নগে তান্নবম্মী,
ঐবু হাই হুম্লুববা
হকচাংসি যাম্না চোকথবে'
অশি লমদম য়ৌকদৌবে।

ঐবু নাহেক্লুববা
নিংশা মপী হোল্লববা'
হকচাংসে হুমাংনা চোংলেনে
[illegible]
অশি লমদম [illegible]

লৈ অমা হেকচরক্লে

লৈ অমা হেকচবক্লে
কদাযদা লৈবগে থিজবক্লে,
খুকমজনিংবা নঙদি উদে
লম্মীসিদা ঐনা কপ্লি।

থোঙজাও কযা হাংলম্মী
নহাক লৈবে চঙশিল্লুবি,
লাইশঙনুংদা অমুক যেং
থম্মোযনুংদা ব্রাহং হং
খোঙসে তপ্না থাংদোবকই।

অথেঙবা অহিংগী থাবলদা
অতিযাদা ইমীং যেংখৎচকই,
থবানমিচাক মশীং থীজকই
নতীকসে থাবা ঙমজদে,
মঙলান অমা মঙজৈনে।

নঙনা নোকখি য়েংনিংদবগী

নঙনা নোকখি য়েংনিংদবগী
ঐনা কপখি চৈনা অমগী,
থম্মোয় অনী খেন্নবম্মী
মসিনি ঐগী নুংশিবা।

মীৎযেং অনী মীৎচানবে
ৱাহৈ যাওদা মবোল লোল্লে,
পম্লুংগী নুমিৎ ঙাইজবা লোইবে
ঐদি ইকায়বা নংলে,
মসিনি ঐগী নুংশিবা।

নঙদি নুংশি শাশিন্নে
মবৌ লৈবিনি মীনোকসু,
নঙদি থম্মোয়দা হৃ পুর্বিনি
ঐনা মৈচাক খাঙজবি,
মসিনি ঐগী নুংশিবা।

লম্বীসি শাংনা চৎলে ঐ

লম্বীসি শাংনা চৎলে ঐ
কৈদনো খঙদে পন্থুংদি,
তাইবং শেম্বা অমা-লৈ
যাথং ইল্লি খল্লি-ঐ।

ইমীৎ অসে শোকচিল্লক্লে
যেংনিংবা ফজবা উশিল্লক্তবে,
নিংশা ফৃযনা হোল্লক্লে
চকচাংদা পাঙ্গল লৈবক্তবে,
উখোঙ খৃদিং পোথানিংলে
ইনাক্তা কনাসু লেপ্পদবে।

নুমিৎসু চীংযা পাংখবে
তমযাসু মচু শঙখবে,
রাংলিবা খোঙচৎকী মিপাইবক্লে
মীৎলু অনী পিবোইনবে,
থম্মোযদা নঙবু লাকহন্নিংলে
খোঞ্জেল হৌনা কৌনিংলে।

লৈদু ঐনা নিজহৌগে

লৈদু ঐনা নিজহৌগে
লৈ হেক্লিবী শকহেনবী।
ঐবু ইকাযহনগনু
হাযজবি নঙোন্দা তাবিযু।

মমাংঙৈগী মতমদগী
লৈবাংগা পাংখক্লে নুপীদি,
পাখঙদা লৈদু পীবদা
কনা লৈগনি হবাওদবা,
লৈ হেক্লিবী নঙবু তাববা।

কনাদা খৃদোল তম্নবনো
লম্বী চৎপদা লেম্নবিবদো'
নৃবা নখূৎ শোকচবগে
থম্মোয লাম্থোক্লো হাযনিংলে,
লৈ হেক্লিবী নঙবু তাববা।

লমদাগী থানিল নুমিৎতা

লমদাগী থানিল নুমিৎতা
ঙানঙ্লান্নবা নোংজাবী উবে,
কাউখ্রবা ল্লাবী নীংশিংলে
অদুঙৈগী নঙগী ঐগী।

যমগী মৌদি ওইখ্রবী
যুম্লাক শাগৈ ওনখ্রবী
নহুৎনা অঙাং শম্লদুনা
যাওশঙ কৃম্মৈদা থেংনবে,
মীৎকৃপ অমদি তথক্লে।

ঐনা খাখল খনবনি
নংশিনদুসে মাঙলমাদ্র,
অদইঙনা হৌজিক ওইবদা
থুইতাক কাবী শানগনি,
হৌখ্রবা মতমদো নুংশিবকই।

নুংশি হায়বা ৱাহৈদু

নুংশি হাযবা ৱাহৈদু
অমুক হন্না হাযগনু,
ৱা ঙাঙদনবা হাযজবি
পিগী মবোল খঙবিযু।

মতাঙ অমদা ঙর্সিদি
পুন্সিগী তোবৈদা থেংনবে,
নিংঙাই নত্তে থম্মোযগী
নীংবা কাযবগী মপাউনি,
ঐবু কবি হাযযুগে
নঙবু ঐনা নুংশিযে।

লুহোংবা লোইবে থিন্দোবক্রে
থম্মোযদি কপ্তুনা লাক্রে,
নোংদম্বা মঙোন্দা ৱাবৌবে
তাইনফম খঙদনা মহাযবে
পুন্সি হাযবদু মসিবা'
কাউবা ঙমদনা নীংশিংলি।

ইতা নঙসে ঙসিদি

ইতা নঙসে ঙসিদি
ৱাখল যান্না নুংঙাইমাল্লে,
কেবদা খুৎকে অমা তৌবে
ঐদি নুংশা থিবক্লে।

অউবা কনা শুমতংনুনু
নংঙী ওইনদু যাবিযু,
হায়দোকপা যাদবা নৈবববা
মাঙ্গদু মবূকচেল শেপ্পববা?
চেলাই ওক্লবা যাওববব
পাখঙ লাংবু থাক্লগেবা?
পাখংলক্লেকে ঐহাক্তি।

হৌজিক থাসে পানখংলববনি
ঙসি যুমশকৈশা নুমিৎনি,
লম্বীসিদা ছন্দোক্লমগনু
ইনেনা হোবেল হংলক্কনি,
ঐগা চৎমিন্নখি হায়বক্কনি
নযা নুপ [illegible] পহনে
কন্না [illegible]।

অহল ওইবগী হৌনবিরা

অহল ওইবগী হৌনবিবা
খল্লমদবা খল্লিবসিনা
তাইবং মীওইবা ঐখোযসে
কাযনগদবা ঙাক্তনিসে।

অঙাং ওইবকই নুংঙাইবকই
নহা ওইবকই নুংওল্লকই,
চহী যাম্লে কপ্লিংলে
খঙদবা পন্থুং যৌনিংলে,
চোকথবনা পোথানিংলে
কৈদনো খঙদনা চৎলি ঐ।

ইমা ইপা ইচা ইশু
[illegible]
[illegible]
ফিজং খল্লনি পল্সিসে,
ব্রাবীসে চৈখ চিংগদৌবে
তাক্লম্না তৌদনা তাবে-পি।

ঐগী খোঙজিন্দা লেপ্লবে

ঐগী খোঙজিন্দা লেপ্লবে
কনানা অমা লাক্লমাল্লে,
ঐবু কৌবা তাবে
ঊনদনা কবম লৈগদগে।

পোকপদগী ঐনা লৈজরকই
খাংপোকসে যাম্না নুংশিজরকই,
অহল হায়বদু ওইরে ঐসে
নুংওমবনা থল্লে পাক্লংসে,
ঐবু চৎসি কৌবরে
শকখঙদবা অমা থুংলবে।

কোযনা লৈনা যেংগে ইংখোল
ঐগী ওইবশিং চৎখ্রে কদাইদা
পানিংই ইপাউ লান্দ্রইঙ খোঙ্গাল
তনিক-তনিক্লে থম্মোয়সে,
ঐগী খৎসে পায়রবে
কাউবত্রা মকাপ্প হায়রবে।

নুংশা থীবে ঐহাক্তি

নুংশা থীবে ঐহাক্তি
নঙগী ঐগী নুংশিবসে,
নুংশি পম্লুং যৌদ্রিঙৈ
কাযনগদবা কিবক্নে।

নঙসে অসুম ফজবে
মিতানফম ওইবক্নে,
নোক্লনুকো কনাদসু
ঐতগী ওইগে মীনোক্তো।

থোইথুম্নবা খোংঞেলদু
বনাগী নাপ্পদা যৌহনগনু,
নঙগী নাটৈই তানবা
[illegible]ক্কদা [illegible]ক্রে।

থম্মোয়গি কাঙখুলদা থানবা
লৈবাং চবা থিবক্নে,
ঐবু নীংবা কাযহনগনু
শম্বল হান্না খাবসিবা।

মীগী মী মরকসিদা

মীগী মী মবকসিদা
ঐগী কনা লৈজদবে,
যেংলু-যেংলুবা খুদিংদা
পুক্নিং নুংশিফম ওইবে।

হাযনবা রাফম নীংশিংলকই
খুদুম শীংনা লাকখির্বনি,
ঙনগাদৌবি ঙসিদি
লম্লোনবদা শেল্লেপ মাঙলদুনা।

ঐগী ওইবশিং ভাইহাক্কিনি,
পিনা কংবদা কাউখ্রবনি,
হৌনবদা হোয় হাযবক্লোই
কনাসু ইতুং ইল্লক্লোই।

কুমগী নোংদি য়ৌবক্লে

কুমগী নোংদি য়ৌবক্লে
লাযববীগী যূমদা তাবক্লে,
পূক্লিং নুংশিবা নত্তনা
কনাদা কবিবু তাইনগনি।

থাবল মণ্ডাল চঙলবা
শেমজিনবা ঙমদ্রবা যূমসিদা
নোং যুবদা চোৎমাল্লে
ইচা ফমূংদগী হৌগৎলক্লে।

লৈকায চাউবি লৈবির্বাসি
যাইফ-নুংঙাইবা কযানি,
লুখ্রাবীনা কবি নিকনি
পি শীথ্রসনু খাঙগনি!
ইচা চাউবা ঙাইগনি।

ঐনা কোকসে খুন্নিবসে

ঐনা কোকসে খুন্নিবসে
যুমগী মৌনি উৎলিবনি,
ননাক্তা হঙোইদনা লৈজবসে
কনা নত্তে খণ্ডহনবনি।

অদুদৈ ইবান্নি লাপ্পবিঙৈ
লোন্না থম্মোয়দা নুংশিবিঙৈ,
মীৎচানবা ভমজদে ঐহাক্তি
অতিযাদা যেংলগা নোকচখি,
ইকাযবা লৈতবে হৌজিক্তি
লেপ্পবদা ঐহাক্কী।

উবীনা উপালদা যেৎচবদা
যেংবদা ফজদে হায়নববা'
যুম্মাক ওল্লবী ঐনা
শাংগেন্সু তিল্লে নঙগীদা,
খল্লাংনা ঐখোয়না লোয়নবদা
ইথূৎ শম্লবদি নত্রেদনা।

ৱারী শাবা লোইদ্রি

ৱাবী শাবা লোইদ্রি
চৎকে হাযবে নঙদি,
থাবল যেংলবোইদবা নঙবু
ইথন্তা ঙাযহৌবদবা ঐবু?

তবামবীনি পাল্লি ঙসিসি
মকোয মান্নবনি থাজসি,
নুমিদাংসি ঐনা ঙাইজবকই
ঈশৈ ঙংদুনা লেঞ্জবকই,
উননিংবগী খোযবাংজর্বানি।

থোঙনাউসে হাংদুনা থমজবকই
থাবল মঙাল চঙনবনি,
থাবল্লে লৈনম ফংলে
থাজবে নঙসে লাক্লে,
কযাদা ঙাওজবা ঐহাকসে।

ঙাইবদা ঐসে ৱারুরে

ঙাইবদা ঐসে ৱারুরে
থম্মোয়সিনা বাবৌকরে,
নংমোৎনা নোক্লে হৌজিক্কুদা
নাতনা ইনাক্তা লাক্লবদা।

নোংঐনা নুংশিৎতা বাজাই
উপাল মকমদা কপচাই,
চোংলবা ইনফি নুংশাখ
যমদা হংলমগনি মিপাইখি,
নাইরু থানা চৌনংগে।

ঈরু পুবক্কে হাযবর্মা
কৈল থাওনা খঙ্গাই,
শাজবুগা ঐনা নাওতক্লখি
নঙবু পুলাব হেক্লকপবা?
চকুলনা নাপ্লাসি উববদা?

কনা লৈতবা য়েংদুনা

কনা লৈতবা য়েংদুনা
নঙনা লাক্কদবা লম্বীদা
ঈশৈ ঙংদুনা চাইজবনি,
থম্মোয় মানা খোযদাজবী।

যাম্না কুইবে খঞ্জবসে
ফোঙদোকপা ঙমদে ব্রাখলসে
মাযথোঙদুনা ফজবদুদা
খোঞ্জেলদুসু তানিংলক্লে,
শৌ শৌ লাউবী ওইবিগনু
ঐবু পূক্লিং নংশিংনগনু,
নুংশি মৈচাক পীবিগনু।

[illegible]
অনাৎ খাওবদা ঈবা চোল্ল,
এম্মিং হংগে খনবান
লৈযমদুসু নঙগা পাল্লি,
ঐসে ইকায থীগাল্লি
লৈক্রক্তা চঙবা ঐদি ঙম্লোই
নঙোন্দা লৈবে ঐগী থম্মোয।

কনানো নওগা কৌনবদু

কনানো নওগা কৌনবদু
রাদি ডাঙ্গান্দা যেংনবদ'।
উ তা নঙবু হাযযুনে
আমুক্কা ঐসু ক উগোনে

ঐখোয়, রাবী শানা শানা
চিলকোলদা চিল-খেলুনা চিল,
শাকসুদবা উবদা কবেঙা নঙ্গ
নখোঙ্গ হাংবা খো ক্রেবে।।
নামিং চুহক চুহব পরে।।

চুগাঁন কনা নেঙ্গেনবা
ধা শুংনা নাঙ্গুক্কি তি চুদে,
ইতা নবুক লুগানু
কুইনা সোংপা হাবক্লেকই,
না তানানা, উঙ্কি চিলচুবেক্কি।

কৌনরবোইসি ইবান্নি

কৌনববোইসি ইবান্নি
মহৌশা নৎত্রবনি হৌজিকসি,
ওইবে লম্লানবা লম্লানবী
অখঙবনা উবগা ফজববোই।

নঙসু ঐসু নীংনবম্মী
পুন্সি কযা শাগৎলম্মী,
নোংদম্বগী নোংদমদি
রাখলগী রাংমদা লৈবম্মী।

ইমূং অমা নঙসু লিংলে
মপু অমা ঐসু ওইবে,
হকুম্মাযদা [illegible] অমানি
[illegible] মান্নবা।

নুমিদাংৱাইরম ওইরক্কে

নুমিদাংৱাইরম ওইরক্কে
মথাক লাক্কদবা মান্দরে,
চৎলসিবা খনবসু
ঙমদে ইখোঙ থাংবসু।

নুমিৎনা চীংয়া পাংথরে
অইঙবা নুংশিৎ শীৎলক্কে,
লাই থাউমৈ কৎননবা
ইমানা ঐবু কৌরমগনি,
চৎখ্রেদা হায়না চৈরমগনি,
লৈকায়না লমচৈন্দবীনি ঙাঙনাখিনি।

ঐনা অসুম লৈরগদি
মীনা কৈদৌরে হংনর্বন,
থবালমিচাক মঙাল নাইরে
থরাম্‌সিসু তানিরক্কে,
কইনা ঙাইরগী চহেংদি
শাউই হায়বা খঙহনগনি।

ইচে কৌও ইবুংঙো

ইচে কৌও ইবুংঙো
ইপুৱাদি যাম্না চাউবেদনা।
কদায চৎকদৌবি নহাকপু
ঐদি কাউদ্রে নমিংদু।

খুদৈ মচা অমা শেৎ
মোজাফ্ফবিৎ মঙ্গুনবা লীৎ
শনশেন শনঙাক লৈহৌবদু
ঙবাংতা ওইবগুম খল্লিদনা,
ইপুৱাদি পাখঙ যাবেদনা।

নহৈ তমগদবা যাম্না লাৎলে
নঙসে ঙাওশিন্নবা যাদবনি,
কনানো অহল অমা লাক্লে
নখোয পাবুং ওইবমাল্লে
ইপুৱাবু ননা লৈবির্বনি।

নঙনা থিরক্কনি খনবদগী

নঙনা থিরক্কনি খনবদগী
তুখৈল্লে নাচোম চিঞ্জবনি,
নঙনা উবগা খঙনবনি
খোইকম মোমোন নোকচবনি।

লোযনজবী ইমান্নবীশিং
ঐগী ওইবনা লাকপদা
নোকফেৎ তৌই মখোয় ময়াম,
শোঞ্জবনি নঙনা নমায়
ঐসু থাওবি উদবনি।

কবিদো খব হায়নিংই
পাক্লংগী রাত্রে পুবরুই,
ঐসু কবী শানিংই
মতাং চাদনা শাউবিবি,
নহৎ পায়দনা থামজনিংখি।

চৎপদা মঙম শান্দরে

চৎপদা মঙম শান্দবে
তত্তনা ঐসে পোত্থানিংলে,
চৎকদবা যাম্না ৱাৎলি
পন্থুংফমস্ খঙদে ঐদি।

মাঙদা কযা অমা চৎলি
তুংদা কযা অমা লাকই,
লম্বী চৎপনি লোইনমক
শিবনা যৌবে পন্থুফম,
খল্লি মসিসু পুন্সিনি।

শন শাবম্না অঙাং হৌগৎলকই
কাফৈ কাফৈ মখোঙ থাংলকই,
কোযনা মাযকৈ যেংলকই
উক খৃদিং ঙকচানবকই,
খল্লি মসিসু পুন্সিনি।

কবিগী ঐনা ঙসিদি
মীৎলুদা পিবাং ঈহৌবি
কনা হন্না উবক্রবে
কনানো ঐনা থিনিংলক্লো
খল্লি মসিসু পুন্সিনি।

কোক্কা মোনগা তাইনজরে

কোক্কা মোনগা তাইনজবে
পোম্খাবগী নুংঙাইবা ফংজবে,
ফমূংদা হীপ্পা হীপ্পা
ইমীৎ অসে উইশিঞ্জবে।

যাম্না লাপ্না লাক্লে ঐসে
চহী কয়া লশ্নী চৎলে,
ঐগী ইয়ূম খাংপোকসিদা
অবোইবা মীৎকূপ্তু ঙাইজবগে।

ঐগী লাইবকসে নেম্লম্মী
থম্মোয চাউই হাযবতনি,
হ্যখল মঙাযবে ঙসিদি
কান্নদবে শোঞ্জবগী।

পুক ঙন্নক্তবে পুক্সিসে
মঙগুম হাগুম তবঙ চৎলে,
কনাবু ঐনা ব্রাবৌকগনি
কবিবু ঐনা মিহৌকগনি।

মহৌশা খন্দবা খল্লক্লে

মহৌশা খন্দবা খল্লক্লে
ঙসি ঙবাংসিদা হেল্লক্লে,
তাইবংপানবসি কনানা শেম্মী
মপু অমদি নৈফম থোকই।

নুংঙাই যাইফবিঙৈ চাউথোকচকই
নোক্লা নোক্লা মথোই কাকই,
শিগনি নাগনি নোংমতা খল্লুদে
অযো নাহে চৈথেং ফংনে,
থরাযসে অসুম পীকশিল্লক্লে।

মাৎনা উকা পলেম পন্থৌ
চৎখদে নোইনা লে ইত্তে নথৌ,
কনা নৈনংং হৌজিকসে
ওথক ওথক্লে মীৎযেংসে,
ব্রাখলসে যাম্না লাঙতক্লবে।

লুহোংবা চৎলমদাই কেবসিদি

লুহোংবা চৎলমদাই কেবসিদি
ঐগী ওইবীবু মান্দবেদা,
ঐগী মীৎসিবু শোযবববা
ঐবু চষীসি যান্নববা''

ঐগী ওইবী নঙোন্দা
হনুবী হনুবী কৌনিংদবে,
কেবদা অসুক ফজবসিদা
ঐনা কনাদা ঙাওগদৌবি!
চীন্দা পুবা ঈশৈ ঙংনিংলে
নঙবুনা জগোয শাহন্নিংলে।

লাইবিক তাবা চৎলুবগী
নাদগী নৈসে লংথোকখ্রগে,
ঐগী চান্নবীনা শুমহৎখবে
পাখঙ অমুক ওইনিংলে,
ঐদি শিবা পামজদবে
চষীসিসু নৌথোক্লিংলে।

পৃমঙাও ঙাওরে ঙসি ঐসে

পৃমঙাও ঙাওবে ঙসি ঐসে
ঈশৈসু শক্লিংলে ঐসে,
জগোযসু শানিংলে ঐসে
ব্রা অমা তমগে ইতা।

পৃক্লিংদা নীংবা কুইবে
ব্রাখলদা নৈনবা হৌবে,
মাবু ঐনা নুংশিবসে
কবম্লা অমুক্তং খঙহনসিগে,
ঙসিদি মানা হৌবক্লে
থম্মোযগী মপাউ তম্লম্লে,
ঐবু নুংশি হাযবম্লে।

যেংলু খৃদিং নৌবেদা
উরু খৃদিং নুংওম্লেদা,
থোইনা হেন্লে ফজবসে
নুংশিবনা শুমহৎলে,
অঙাওবীগুম নোকচবে
ফিজীগী মকমদা লোৎচবে,
মাযথোঙদো উদুনা লৈনিংলে।

ঈশৈ শক্লগে হায়ববু

ঈশৈ শক্লগে হায়ববু
কপ্তুবা ঙমগদবা ঐহাকপু'
ঐগী ঈশৈ ময়েক খুদিং
মাগী ঐগী ৱাৰী য়াওবি।

শৈথাবা হৌবতা মঙাযবি
কবিগীনো খঙদে কপ্লিংলে,
পিসে অসুক নৌদবনি
লৌনম্বী মাগী মৈচাক্লি।

নখোয মযাম খুবাক খুবো
ঐগী ঈশৈ অদুম তাবো,
খৌগংলবা থশ্মোযসিনদি
নুংশি ৱাহৈ তানিংলুবি।

নঙনা মাবু নুংশিবসে

নঙনা মাবু নুংশিবসে
খঙলবা নত্তবা মানদি?
হৌবক্কদবনা পঙশিন্নবগী
নঙনা থম্মোয় চাক্লিবনি।

খঙলে ইতা ঙসিদি
নঙগা ব্রাবী শাবদগী,
মতাঙ চাবদু ঙাইবসি
পাম্বৈ অমা থিবসি,
পাখঙ নাপ্পদা তন্নগে
মাবু নুংশি হায়বসে।

নতৌ খবদি উহল্লু
মাবু নুংশি খঙহল্ল,
ইন্নফি লৈমায়দা চিংহল্লু
ফিদু মোৎলবসু মোৎসনু,
লম্বীদা নাচোম থাদবো
হন্না যেংলগা নোকশিল্লু।

মাগা ঐগা য়েংনৈ

মাগা ঐগা যেংনৈ
লেংথৈনদুনা চৎনৈ,
হন্ন হন্নসু যেংনৈ
লম্বীসিদা লম্বীসিদা।

পৃক্লিং মাগী ফোঙদোবকপা
তানিংবনা লাঙতক্লে,
ঐনা চানবাল কাংগাংননা
পাউখুম পানিংদুনা ঙাইজে,
হৌদোকপা ফজদে খল্ল
নুংশি হাযনদি হাযনিংই।

ঐনা ঐসে কাউখবে
শকহঙদবদা নৃপখবে,
কাখলসে মঙদি ওইহন্নিংদে
তিংথোক্লিবা খৃৎসে ইকাযহন্নিংদে,
হাযবা ঙমদবনা চাকচবান
কবপ্পা থশ্মোযনো চৈনিংই।

খূদোল তম্নবা লৈরাংলা

খূদোল তম্নবা লৈবাংলা
লৈনা-লৈনা য়েংলিবদুবু?
মাঞ্জ লাকপা ঙাইবিববা
ঐসে নত্তববা মহাক্তুবু?

নিঙোলনা থব্রায় তাজবা
কুন্দো লৈবাং যাওবিবদু
কৈদৌঙৈ পবেং লেংগদৌবি,
হূক্কদবা ঙকশমদু ওইজনিংই।

হোবেন্দি লাক্কে মঙলান্দা
হৌবগে কোযকসি থাবলদা,
তাইবংদা উজবা ফংজবসি
ঐগীদি লাইবক ফববনি।

মাগী নুংশি রাহৈদো

মাগী নুংশি রাহৈদো
হৃ ওল্লে ঐঙোন্দা।

চীংয়া তমযাদা কোযমিন্নখি
অচৌকপদা ফম্মিন্নখি,
ঐনা হায়খি মাগী লেপ্লি
মাসু হুর্মাক ঐগী লেপ্লি,
কবম্বা নোংলৈ নুংশিৎনো
নুংশিবব শুমদোকপিবে।

নক [illegible]ক্পা কয়া যাওখি
শাউনবসু অ[illegible] লৈখি,
হাংবৌনবা লৈনখিদে
চবাও হবাও অদুম কৌনৈ,
মাংদি মতম লেল্লম্লে
নুংশিবদা হনবা ওল্লম্লে।

থাজদনা থেংনরে ইবান্নি

থাজদনা থেংনবে ইবান্নি
কুইববগী তুংদা ঙসিদি।

নুংশিনা কৌজবা ঙমজদবে
নঙগী শম্লাংদো খোমগৎলম্লে,
কোকখুমফিনা খঙহল্লে
শাগৈ অমগী মৌ ওইবে,
ইপাউ তমজবা যাবোইদৌবে।

যাইফকোন্দা ওংলম্মে
উখিবা শকফমদু ওল্লম্লে,
মতীক চাদবগী লানহনবিবে
নোংদম্বদা ঐদু ব্লাবৌহল্লে,
নুংশিবদা ওইজবা থিবম্লে।

মায়থোঙদুবু অসুক ফজবরনে

মাযথোঙদুবু অসুক ফজববনে?
পৃমঙাও ঙাওবে ঐহাকসে।

নোংমা ঐসে লাক্লশী
শগোল তোংদুনা খুঙ্গংসিদা,
নুঙ্গাযবক্কী তুবেল খোংনুংদা
চেঙহি শম্বাল লাংহৌবীদুনি,
চেঙলৌ হেনবীদু নহাক্কি।

মীতৈ চনুগী হৌনবী
মোং হাংনীদু খুদোলনি,
ফজমনবসনা শেবান্নকবে
ঐগী থম্মোয শুমহংপিদুনি,
নকশিল্লবদা থঙলবনি।

কেদুনা ঐনা চৎপদা

কেদুনা ঐনা চৎপদা
লক্লবক্লে পাখঙনা,
হো নৈশাবী কৌবক্লে
ঐঙোন্দা ফাগি তৌবক্লে।

কেবা যাবা কেনিংলে
মোমোন নোকপা তম্লিংলে,
মিংশেল তোযনা যেংনিংলে
পৃক্লিংসে ইনৌ নৌবে।

নৈশাবী ফাববদা ঐহাকসে
নুংশিবা মমি তাবে'
নুংওন হ্লাখলস খল্লক্লে
চঁৎনবালদা ঈশৈ শুংনিংলে।

তাইবংবু শেম্বিবা ইবুংঙো

তাইবংবু শেম্বিবা ইবুংঙো
মীমান্নদ্রবী ঐঙোন্দা তাকপিযু,
নফমদা কবি লঙজখ্রবগে
ঐবু অসুম্না ব্রাহনবিবসে।

নহান মপোক্তা লানখ্রববা
পীবিবসি ইবালগী চৈবাক্তা?
অমম অঙান খঙহর্নবিদবে
পলেম-পম্বৌসু উহর্নবিদবে,
কবিদা ঐবু নুংঙাইবি
মাওইবা ওইনা পোকপগী।

পেন্দবা থম্মোযনা নীংঙমজদে
অবোইবা ভাইবদা ব্রাজবি,
খোঙ্কম অমগী লেপর্চাব
কদোমদনো ইখোঙ থাংনিংলি,
তাইবংসে কবিনো খঙজদে
লোইবা তাবে পুন্সিসে।

থম্মোয়দা নঙনা থেম্লগা

থম্মোযদা নঙনা থেম্লগা
শাউবা ফগনি খনববা?
ঐদি নঙবু নুংশিদে
নুংশিদে হাযবদা নোকচদে।

ইপাম লমদম নীংশিংবদা
পিসে তৈথোকউ হাযজদে,
পুনশিনবিদ্রবা শমজীদা
কবিগী শান্নবি চিংদুনা?

কযাদা ইকায খঙদ্রিবনো
নোকখি নোকখি তৌবিযে,
ঐবু লক্লবদু যেংনিংদে
লাঙ্গোয চল্লনু লৌনম্বা।

কনাবু হান্না কৌরমসিগে

কনাবু হান্না কৌবমসিগে?
নাপ্পদা তৃমিন হাযবমগে,
যেন্নীংথা ল্যাক্কে যেন্নীংথা
নুংওন ৱাখল খন্ন থা।

যেন্নৌ যেন্নীং হুন্নিংদবা
পৃক্কিং মকা লাম্নিংদবা?
নীংজবা ঙাইবদা চোকথববোই
লুকর্থাবদা মাযথোঙ হাইগৎলো,
লৈবাংও নঙবু শাৎহৌবো।

থোৎলবী থম্মোযগী ৱাবীদি
লোইবা খপ্পা নাইদবনি,
মালংবা ঐদি লৈজনিংদে
নৈশিন্দুনা ননাক্তা,
যেন্নীংথাগী মপাউ তম্লমগে।

মীৎকি পিসে নত্তনা

মীৎকি পিসে নত্তনা
কবিবু কৎকনি ইবুংঙোদা!
নঙগী খূৎশেম নত্তববু
কবি লৈবগে অতোপ্পবু!

লৈ অমতং হেকচনিংদুনা
ঐসে লৈকোলদ' চঙলুবে,
নঙগী ওইদববু লৈবমদে
নঙগীসি নফমদা পীজনিংদে।

মাযথোঙদু অমুক্তা উতনবিদে
নতিক নযাইদি খঙহনাববে,
নঙবু মপু কৌনবি
পূম্নমকপু শেম্বনি হায়নবি।

নুংশিবা নত্তে নঙনা ঐসে

নুংশিবা নত্তে নঙনা ঐসে
অমুক্তা হায়খু নচীন্দুনা,
ঐগী থম্মোয়সে পেনগে
ৈংথোক্কে তাবিবা পিসে।

লম্বাদা থেংনবদা নহাকসে
পুক্নিংগী মকপ্পি খল্লুবে,
নুংশিদ নুংশিবা শাবিবে
কাবিগী ঐবু থাজহল্লি’
নঙসে থম্মোয় কল্লি।

পাজা ওইনা পাক্লুবে
উবীনা উপালদা যেংলুবে,
লানহিবা কবি যাওখ্রবগে
নুপানি হায়বগী চাউথোকই,
নোংমা নঙসু খঙগনি।

ঐনা ঈশৈ শকপদা

ঐনা ঈশৈ শকপদা
কাযনম্বী নঙবু নীংশিংই,
লৌনম্বীনি খঙনা খঙনা
কাউবা ঙমদে নঙবুদি।

তোবৈ অমদা উনখিদে
নুংশিবসে থৈনখি,
নঙগী মীনোক নুংঙাইবনীনি
ঐগা পিনা পঙজবগীনি,
খুবাক খনম খেংদবমী।

নাংজবা পুম্মা খঙহনজাহ
নাওলি নঙগী থম্মোয়দি,
শৈরেং চম্মা শিনাংজনবা
চৈনা পীবা মৈচাক হাংদুনা,
ঐগী হাখল লৈচিল ওল্লে।

লৈকোলগী লৈবাংসু নঙগীনি

লৈকোলগী লৈবাংসু নঙগীনি
হৈকোলগী হৈবাংসু নঙগীনি,
নঙগী ওইবা নবলবু
নঙ্গোন্দা কৎলগা পেনবরা ?

লাইশঙদা পৈবি অথেনপোৎ
লৈজদে ঐগীদি কৎচনিংঙাই,
ঙকচানবা য়েংলিঙৈ
মীৎকী পিনা খঞ্জিল্লে,
ইদু[illegible] ঐগা লাপ্লবে।

[illegible] [illegible]
শোঞ্জগেনো নঙগী মিংথৈ,
অবোইবা মতম লাক্লবদা
মঙাল ওইনা লৌপ্লযু,
ঐগী ইবাল কোকপিয়।

নঙনা হায়খি নোংমা

নঙনা হাযখি নোংমা
ঐবু যাম্মা নুংশি,
ঐনা হাযবি ঙসি
নঙসে লৌনম চাউই।

ঐবু তম্বি নঙনা
ঈশৈ শকপা থাবলদা,
তাখি তৃমিন অহিংনা
নঙগী ঐগী ৱাবী,
ইকাযদুনা যেংজবা
লোৎচৈ ফিজিনুংদা,
মঙলান ওইবে লোইনা।

ঈীবি ঐবু চৈনা
নুংশিবগী নতাৎনা,
খাঙলি থশ্মোয চাক্লা
নঙনা খঙদা-উদা,
নীংশিংবগী মৈবীনুংদা
চোংশিন্নিংলে ঐদি,
মঙলান ওইবে লোইনা।

শিবদা পুরোইদৌবা লন-থুমগী

শিবদা পুবোইদৌবা লন-থুমগী
ঐখোয মীওইবনা মিহৌবি,
খূবাক তিংথোক্কনি কাউকবি
পুম্নমক অবেম্বা ঙাক্কনি।

ইংখোল মচেৎ অমগী
লমগী ব্রাথোক্লা খৎনবি,
লোৎশিনবা ইবল কাগ্নবোই
চাউথোকপা নাপল চন্নবোই।

ওইজবা থিদুনা লৈকবি
ওইদবা মীনম্বা ঙাঙলুবি,
ইচা ইশু নুংশিবশিং
অবোইবদা চৎমিন্নসি যাবক্লোই।

অহল মতম ওইরদুনা

অহল মতম ওইবদুনা
খূত্তা চৈশু পাযবেদো,
হকচাংদা পাঙ্গল যাওদ্রদুনা
মতেং পামদুনা যেংলেদো।

লাইফম কযা চৎলুবে
কৈদনো মপুদু হংলুবে,
লাইশঙ খূদিং চঙলুবে
পূক্রিংগী পোত্থাফম থিকবে,
হঞ্জিল্লকপদা মদোম তাবে
পুন্সিবু হেন্না পাম্মুজবে।

মীৎস্না অনী ঈব' হৌবে
ঙাঙবদা খোঞ্জেল মযেক শেংদ্রে,
কনা অমা মাগী উদ্রে
মথন্তা লাকপনি খল্লক্লে,
নীনিগী হিংবনি নীংশিংলে
খূবাক তিংথোকপা হৌবক্লে।

ঐগী ফাগিদা নঙনা ইকায়খি

ঐগী ফাগিদা নঙনা ইকাযখি
নুংশিদে হাযবদা মাযথোঙ নৈথোর্কখি,
থম্মোযনা অসুম নুংশিবা হেল্লে
ব্লাখলদা ঐদি পোখ্খাফম খঙদবে।

খোংযনৌ নতা ময়ামগা নোংমা
নৈ থিবা লাকপদা উনখি,
নমিতুদগী শকখঙনবা হৌখি
কোইনাদবদগী নঙবু নক্লাখি,
নাবৌদুনা নঙনা পিবাং শীন্নখি।

হাদি তাংদৌবে চীংযা পাংখবে
নাদি নাহলি মীৎয়াদি উইথবে,
মাহং তাংলৌ নৈনা থেঙলে
ওইনজবী নত্তৌ ওইবল্লে,
লোম্না নোক্লম্বদা হবা ওবে ঐসে।

মসিননি খঙলুদরে, লৈ-য়েংলমদরে

মসিননি খঙলুদবে, লৈ-যেংলমদবে
মবম লৈবন্লে থম্মোযগী ওইবন্লে।

কবি হাযবি খোইমুনা লৈবাংদা?
কবি ফাওবি মালংনা হুম্বদা?
কবিগী নোক্লি লৈনম ফংবদা?
কবিগী ঙাওবি মাবু নীংশিংলগা?
খঙলে নঙসে লৈশাবী ফাবে
খল্লে লোন্না লকানুংদা।

যেন্নীং হুল্লি কনাগী ব্রাংলদ
ফজবমগনি লোৎলিবা শকফমদো,
খনবা চুন্নে মওং অমা তৌবে
যাম্না কেবে হন্দক মবকসে,
যাওল্লমগনি তূম্বা যাদদুনা
ব্রাব্রা লাউবিবোই হাযবোদা।

ঙসিগী থাবলসে ফজেনে

ঙসিগী থাবলসে ফজেনে
পক্লিং হূনা নুংশনে,
মাদু মাঙ্গোলদা ফল্লিদবা
অদুদুগে ৱাখল খল্লিদবা ?

থাজা নঙদি খঙলিনি
মাগী ঐগী নুংশিবদো,
কিদে তাগে তৌবকই
লোইখিদ্রবা দাবীদো নীংশিংই।

মাংন লেবম্মা পাল্লিবগে
উনদনা হংলগে ভাইবির্কনি,
চেলাংদা চিখিবা শক্তমদুনি
পাম্না হংলদুই থিবির্কসি।

মানা ঐঙোন্দা ৱারী শাবা হৌরক্লে

মানা ঐঙোন্দা ৱারী শাবা হৌবক্লে
ঐগী থম্মোয়দসে ইবাঙ লাঙলে।

নহানমথৈদি য়েংবতা য়েংলগনী
ঙসিনা শক্তম অমা শাগৎলি,
কাউদনবা মীনোক উহনবিবে
অযাম্বা মতমদা উংহনবিবে।

নৈনাং শাৎলে খোইমু ঙংহন্নিংই
অচীকপা অর্থং থাবল মহৌনিংই,
তুম্মদি নঙনা ফমঙদা চীপ্লিংই
নৈস্ মাঙম্না অর্ম্লি হংহৌনিংই।

ঐগী নুংশিবসে নঙতা নত্তে

ঐগী নুংশিবসে নঙতা নত্তে
নঙগা থম্মোয়সু যাওবিবনি,
নাপ্পীগী নাচোমসু যাওবিবনি
নভুগী শমডিংসু যাওবিবনি।

ঐগী চৈশ্লদা থাবায় ওইবি
থাংগ্রা যেদা নত্রবু চেংনা থম্মী,
নংজান নেংবদা পাম্বং চাউই
নংক্রবনা লাংঙ্গোয় চংখিবা।

ঐগী পুক্নিংদা নংঙা লোয়নবা
[illegible] চেংনা [illegible],
ঐহাক্গী ইথৎলদা [illegible] ওইবা
নংশিদনা [illegible] ওইবনি।

হে থম্মোয় নঙসে

হে থম্মোয নঙসে
থৌদু নুঙনা ননশিন্দুনা থম্লগে,
নুংশি হাযনা হাযদনবা
খাঙবদা ৱাবে তেংথাদনবা।

মাযথোঙদু উবদা মপৃক্লিং হঙদ্রিদৈ
কবিগী হাযকনি মাবু নুংশি
লৌনম্বীগী নোকমিবা শুমহৎপী মতৌদা
মৈবানবী ওইবে নঙদি ঙসি।

লাকচাহবগী নুংঙাইহৈ চৌনকাল চাক্লি
হৎশা থোক্লি পিবাং শাল্লিব,
নাংহুমদবগী মৈবীনা চক্লি
কাব ওইহৌনি অবোইবদা নঙদি।

অইবগী ফোঙখবা লাইরিকশিংঃ

১। ঐগী বাখল (শৈরেং) ১৯৯৮

২। ঐগী খোঞ্জেল (শৈরেং) ২০০২

৩। ঐগী মীৎয়েং(শৈবেং) ২০০৬

৪। ঐগী বাহৈ (শৈবেং) ২০০৮

৫। ঐগী নুংশি লম্বীদা(ঈশৈ শৈবেং) ২০০৯

৬। ঐগী ওইনা (শৈরেং) ২০১০

৭। ঐগী নুংশি শৈবোল (ঈশৈ শৈবেং) ২০১১

৮। ঐগী ঈশৈগী শৈরোল (ঈশৈ শৈবেং) ২০১২

৯। ঐগী অনীংবদগী (ঈশৈ শৈরেং) ২০১২

১০। ঐগী খঞ্জবা (ঈশৈ শৈবেং) ২০১৩

অইবগী নৌনা ফোঙবা লাইবিকঃ

১১। ঐগী পূক্নিংদগী ২০১৩